
# চাইনাগী দিফেন্স বজেট থংন থংননা নিপানশুবা চহীদসু চাদা ৭.২ হেনগৎতুনা দোল্লর বিলিয়ন ২২৫ য়ৌখ্রে



বৈজিং, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

চাইনানা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী দিফেন্স বজেট মমাঙ চহীদগী খরা হেনগৎহন্দুনা চাদা ৭.২ ফাওবা হেনগৎখিবগা লোয়নননা য়ুৱান ট্রিলিয়ন ১.৫৫ (য়ুএস দোল্লর ২২৫) রোম য়ৌখ্রে। মসি লৈবাক অসিনা মিলিটরি চাদিং হেনগৎহল্লকপা থংন থংননা নিপানশুবা চহীনি।

চাইনাগী মমাঙ চহীদা লৈখিবা দিফেন্স বজেট অসি য়ুৱান ট্রিলিয়ন ১.৪৫ নি। মসি মমাঙগী চহীদগী চাাদ ৭.১ হেনগৎখিবনি। চহী অসিগী ওইনা লৈবাক অসিগী দিফেন্স স্পেন্দিং য়ুৱান ট্রিলিয়ন ১.৫৫ তা হেনগৎখি। অদুম ওইনমক য়ুৱানগা চাংদম্নবা দোল্লরগী ভেল্যু খরা ৱাংখিবনা মরম ওইদুনা চাইনাগী চহী অসিগী দিফেন্স স্পেন্দিং অসি য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন ২২৫ রোমনি হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা চাইনা দেলিগী রিপোর্টনা হায়রি।

মমাঙগী চহীদা চাইনাগী দিফেন্স স্পেন্দিং দোল্লর টার্মদা য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন ২৩০ ওইখি। চাইনানা মসিগী মিলিটরি বজেটতা সিঙ্গল দিজিট পার্সেন্টেজ পোইন্ট হেনগৎপগী ৱাফম লাউথোরকখিবসি মসিনা থংন থংননা নিপানশুবা চহীনি।

লৈবাক অসিগী রব্বর-ষ্টাম্প পার্লিয়ামেন্ট- নেসনেল পিপলস কংগ্রেস (এন পি সি) গী ওপনিং সেসনদা পুথোকখিবা মহাক্কী ৱার্ক রিপোর্টতা থবক্তগী পোত্থারগদবা প্রেমিয়র লি কেকিয়েননা ইষ্টর্ন লদাখতা মুক্কখিবগী থৌদোক হকথেংননা পন্দবীদা আর্মদ ফোর্সেসনা বোর্দরদা মায় পাকখিবা কয়া পন্দুনা ঙাঙখি।

চাইনিজ আর্মদ ফোর্সেসনা য়াম্না চেকশিন্না অমসুং মায় পাক্না ওপরেসনশিং পাঙথোকখি। মখোয়না বোর্দর দিফেন্স, মেরিটাইম রাইটস প্রোটেক্সনগা মরী লৈনবা মরু ওইবা মিশন কয়া মায় পাক্না পাঙথোকখি। কাউন্টর টেররিজম অমসুং ষ্টেবিলিটি মেন্টেনেন্স, দিজ াষ্টর রেস্কু অমসুং রিলিফ, কোভিদ ১৯ রেস্পোন্স, পিছ কিপ্পিং অমসুং মার্চেন জহাজশিং ঙাক শেনবনচিংবা থবক কয়া আর্মদ ফোর্সেসনা মহৈ য়াম্না পাঙথোকখি হায়না লিগী ৱার্ক রিপোর্ট অদুদা পনখি।

বোর্দর দিফেন্সকা মরী লৈনবা মরু ওইবা মিশনশিং অদু পি এল এনা কুমজা ২০২০ গী মেদা ইন্দিয়াগা লোন্নবা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এল এ সি) পরিংগী ইষ্টর্ন লদাখতা চথখিবা ওফেন্সিব এক্সনশিং অদু য়েংলুরগা য়াম্না শিংথানিংঙাই ওই হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

চাইনা অসি দিফেন্সকী মতাংদা য়ুএসকী হেক মথংদা অনীশুবা চাদিং খ্বাইদগী হেন্না চাওবা লৈবাক্নি । য়ুএসকী দিফেন্স বজেট কুমজা ২০২৩ দা য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন ৮১৬ য়ৌখি। ইন্দিয়াগী মীৎয়েংদদি চাইনাগী দিফেন্স বজেট অসি মখা তানা চহী খুদিংগী শরুক অহুমগী মথক্তা হেনগৎতুনা লৈ। কুমজা ২০২৩-২৪ চহীগী ইন্দিয়াগী দিফেন্স বজেট লুপা লাক্ষ ক্রোর ৫.৯৪ হায়বদি য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন ৭২.৬ রোমনি।

দিফেন্সকী বজেট লেপ্তুনা হেনগৎহনখিবগা লোয়নননা পর্সনেল মশিং মিলিয়ন অনীশুরবা পিপলস লিভরেসন আর্মি (পি এল এ) অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা মিলিটরি ওইনা লেপ্তুনা মতিক ময়াই হেনগৎলক্নি অমদি লৈবাক অসিগী আর্মি নেভি অমসুং এয়র ফোর্সকী মোর্দনাইজেসনগা লোয়নননা মিলিটরিনা মতিক ময়াই ফুদোক্লবা হোৎনবসু হেনগৎলক্নি।

চাইনিজ মিলিটরি অসি মতিক ময়াই লৈরবা সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসনগী চিয়ারমেন ওইরিবা প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা মকোক্নি। মহাক্কী লিচিং মখাদা চাইনিজ মিলিটরি অসি মথংগী চহী খরগী মনুংদা য়ুএস আর্মদ ফোর্সেসকা মান্নহন্নবগী পান্দম অমগা লোয়নননা অচৌবা মোর্দনাইজেসনগী থবক পায়খৎতুনা লাকখি হায়রি।

# রসিয়ন ট্রুপশিং নকশিল্লকপদগী য়ুক্রেনগী বাকমুটতা সিভিলিয়নশিং খোঙনা লাঞ্জেন্নরে



কিভ, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

রসিয়ন ফোর্সশিং নকশিল্লকপদগী প্রেসর লাক্লবা য়ুক্রেনগী বাকমুটতা লৈরিবা মীচম মীয়ামশিং ট্রুপশিংগী মতেংগা লোয়নননা মখোঙনা সিটি অসিদগী লাঞ্জেন্নরে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট খরনা হায়রি।

মফম অদুদা লৈরিবা য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিং মরু ওইবা ইষ্টর্ন ষ্ট্রোং হোল্ড অদুদগী হন্দোক্লবা শেম শারি হায়না রিপোর্টশিং অদুনা মখা তারি।

য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংগী মতুং ইন্না রসিয়ানা থোং কয়া থুগায়নবা লেপ্তুনা এটেক চথরকপদগী দোনেটস প্রোভিন্সকী সিটিগী চিদাইদা লৈবা য়াম্না থুনা শেম শাখিবা থোং অমা লান্ননবা হোৎনরিবা নুপী অমা শিখি অমসুং নুপা অনীনা ফিভম লুনা শোকখি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা য়ুক্রেনিয়ন আর্মিগী রিপ্রজেন্টেটিব অমনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি হৌজিক সিভিলিয়নশিং গাড়ী শীজিন্নদুনা বাকমুটথাদোকপা হায়বসি অদুক্কী মতিক খুদোংথীনিংঙাই ওইরক্লে। অদুনা মীয়াম্না গাড়ীদা চেনবগী মহুত্তা মখোঙনা ওইনা চেনবা তাখি।

প্রাইভেট ৱেক্নর গ্রুপকী ফোর্সশিং য়াওনা রসিয়ন ট্রুপশিং তপ্না তপ্না টাউন অদু তম্না চঙশিল্লকখিবগা লোয়নননা মোস্কোগী লান অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা চথরিবা ওফেন্সিব অদুদা বাকমুট টাউননা মতম কয়া মরু ওইবা টার্গেট অমা ওইদুনা লাকখি।

এজেন্সিগী টিম অমনা থাংজ নুমিত্তা বাকমুটকা নক্লবা মফম অমদা য়ুক্রেনিয়ন লান্মীশিংনা লৈহৌরিবা রেসিদেন্টশিংবু নক্লবা ভিলেজ অমা ওইরিবা খোরোমোব য়ৌহনবদা মতেং পাঙনবগীদমক খুদক্তা থোং অমা শাখি। মতুং তাবদা টিম অদুনা খোরোমোবতা য়ুম মঙারোম মৈ চাকপা উখি। মখোয়গী মতুং ইন্না য়ুমশিং অদু রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথরকখিবা এটেক্লো মরম ওইদুনা মৈ চাকখিবনি। হৌখিবা পুং ৩৬ কী মতমদা য়ুক্রেনিয়ন য়ুনিটশিংনা বাকমুটকী চিদাইদা লৈবা য়াম্না মরু ওইবা থোং অনী থুগায়খি। থোং অনীদুগী মনুংদা অমদি য়ুক্রেনগী অমত্তা ঙাইরবা রি সপ্লাই রুট ওইরিবা য়াসিপ য়ারগা শম্নহল্লিবা থোংনি।

মসি য়ুকেগী মিলিটরি ওফিসলশিং অমসুং অতৈ নোংচুপলোমগী এনালিষ্টশিংনা কনফার্ম তৌখি। রসিয়ন ফাইটরশিংনা বাকমুটকী অৱাং থংবা সববশিং তম্না লেপ্তুনা চঙশিল্লকখিবগা লোয়নননা য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংনা থোংশিং অদু থুগায়খিবনি হায়না য়ুকেগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ট্বিটর পোষ্টশিংদা পনখি হায়রি।

# লাহোরদা লৈবা ইমরান খানগী য়ুমগী মপানদা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

টোসাখানা কেসকা মরী লৈননা পাকিস্থানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানবু ফানরবগীদমক্তা ইস্লামাবাদ পুলিসকী কাঙবু অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাহোরদা লৈবা মহাক্কী জামন পার্ক রেসিদেন্সতা থুংলখি হায়না জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা খান য়ুমদা লৈরমদবা মরম্না পুলিস কাঙবু অদুনা মহাকপু য়ুম অদুদগী ফাবা ঙমখিদে। খোঙথাং অসি সেসন্স কোর্ট অমনা টোসাখানা কেসকা মরী লৈননা মহাক্কী মায়োক্তা নন-বেলেবল এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা লাকপনি।

মরু ওইনা খাননা হঞ্জিন হঞ্জিন কেসতুগা মরী লৈননা কোর্ট কারক্তবদগী মহাক্কী মায়োক্তা নন-বেলেবল এরেঞ্জ ৱারেন্ট অদু ইস্যু তৌখিবনি। ইমরান খানবু ফানবা হোৎনবদা অথিংবা পীননবগীদমক মহাক্কী পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) না পার্টি ৱার্কর পুন্নমক্তা খুদক্তা মহাক্কী য়ুমদা লাক্লনবা আপিল তৌখি। পার্টিগী ৱার্কর লিশিং কয়ানা খানগী লাহোরদা লৈবা য়ুমগী মপানদা পুন্দুনা মহাকপু ফাবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথখি।

ছোর্সশিং পল্লদুনা জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি লিগেলগী ওইবা মথৌ তাবশিং ফুলফিল তৌরবা মতুংদা ফাগদৌরিবনি। এরেষ্ট ৱারেন্ট অদুদা খানবু ফাজিল্লবা মতুংদা মার্চ ৭ ফাওবগী মনুংদা কোর্টতা পুথোরক্নবা খঙহনখি।

ইমরান খান নোংমাইজিং নুমিত্তা শোয়দনা ফাননবা ইস্লামাবাদকী ইন্সপেক্তর জেনরেলনা ওর্দর অমা ইস্যু তৌখি।

অমরোমদা, পি টি আইনা খানগী মায়োক্তা চথরক্লিবা পুলিসকী এক্সন অদুনা জষ্টিসপু ফাগী তাহল্লে হায়খি, অমদি হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্টবু মীখলগী মতম থিহন্থহন্নবা লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেমশিং থোকহন্নবা হোৎনরে হায়না মরাল শীখি।

পি টি আইগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং খানগী কেবিনেটতা মিনিষ্টর ওইরম্বা ফৌৱাট চৌধরিনা হায়খি, মদুদি ইস্লামাবাদ পুলিসনা খানবু ফাননবা হোৎনরক্লে। অমুকসু শেমজিন শাজিনবা কেস অমদা পুলিসনা খানবু ফাবা পাল্লি হায়রি।

# মহৈরোয় নুপীমচাশিং নারকপগা মরী লৈননা ইরানদা প্রোটেষ্ট চথখ্রে

টেহরান, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

ইরানগী স্কুল কয়াদা তল্লিবা মহৈরোয় নুপীমচাশিংদা শোকহল্লিবা পোইজন এটেকশিংগা মরী লৈননা থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অসিগী কেপিটেল টেহরান অমদি অতৈ সিটিশিংদা মথ্বায় ৱারবা মমা মপা ওইবশিংনা প্রোটেষ্ট চথখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি। হৌখিবা থা খরা অসিদা চপ চানা করিনো হায়বা খঙবা ঙমদনা মহৈরোয় নুপীমচা চা কয়া মশা নারকখি।

ইরানিয়ন ওফিসলশিংনা থাজ রিবদি নুপীমচাশিং অদু পোইজনিং চথরক্লম্বা য়াই হায়বসিনি। মসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মখোয়না ওইরক্লিবা ফিভম অদুগা মরী লৈননা টেহরানগী য়েক্লবশিংবু মরাল শীখি।

থাংজ নুমিৎতা ইরানগী প্রোভিন্স ৩১ গী মনুংদা তরাগী স্কুল ৩০ হেনবদা তল্লিবা মহৈরোয় নুপীমচাশিং মথোং মরম খঙদনা নাখি। সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংদা মমা মপা ওইবশিংনা মখোয়গী অঙাংশিং ময়ুমদা পুননবা স্কুলশিংদা পুনবা অমদি মহৈরোয় নুপীমচা খরা এম্বুলেন্স নত্ত্রগা বসশিংদা হোস্পিটালদা পুবা উখি।

এজেন্সিনা ভেরিফাই তৌরবা ভিদিও অমগী মতুং ইন্না থাংজ নুমিত্তা টেহরানগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈরিবা এদুকেসন মিনিষ্ট্রিগী বিল্ডিং অমগী মপানদা পেরেন্টশিং পুন্দুনা মথোং মরম খঙদনা মখোয়গী অঙাংশিংদা নারক্লিবা অদুগা মরী লৈননা চথরক্লিবা প্রোটেষ্ট অদু এন্টি-গভর্ণমেন্ট দেমোন্সট্রেসন অমা ওল্লকপগী মওং উখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দ অমদি অতৈ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংবু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকা মানৈ হায়না কোইলাউ লাউখি। মান্নবা প্রোটেষ্টশিং টেহরানগী অতৈ মফম অনী অমদি ইস্ফাহন অমসুং রাজ য়াওনা অতৈ সিটিশিংদসু পাঙথোকখি।

স্কুল তল্লিবা নুপীমচাশিংগী মরক্তা মথোঙ মরম খঙদনা নারক্লিবদু ইরানগী ক্লারিকেল রুল্লরশিংনা অরুবা ফিভম অমা মায়োক্লরিঙৈ মরক্তনি। ক্লারিকেল রুল্লরশিং অকনবা ড্রেস, কোদকা মরী লৈননা মোরেল্লিটি পুলিসকী কষ্টদিদা নহা ওইরিবী ইরানিয়ন নুপী অমা শিখিবদগী থা কয়া চুপ্না অকনবা প্রোটেষ্টশিং মায়োক্নদুনা লাক্লিবনি।

# সাউথ কোরিয়া অমসুং জপাননা ফোর্স লেবরগা মরী লৈননা নহাশিংগী তুংগী ফন্দ শেম্লগনি



সিওল, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা জপানদা চথখিবা ফোর্স লেবরগী কোরিয়ন ভিক্তিমশিংদা কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফম সেটল তৌনবগী দিল অমগী শরুক অমা ওইনা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপাননা মহৈরোয়শিংগী স্কোল্লারশিপ স্পোন্সর তৌনবা নহাশিংগী তুংগী ফন্দ অমা শেম্বগী ৱাফম য়ানরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

গভর্ণমেন্ট ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না ফন্দ অদু সাউথ কোরিয়াগী অচৌবা বিজিনেস লোবি অমা ওইরিবা ফেদরেসন ওফ কোরিয়ন ইন্দষ্ট্রিস অমসুং জপান বিজিনেস ফেদরেসন (কৈদানরেন) না পুন্না শেম্মীন্নগনি।

ছোর্সশিং অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মদুগী অকুপ্পশিংগা লোয়নননা লৈবাক অনীগী মরক্তা ফোর্স লেবরগী ভিক্তিমশিং কম্পেন্সেসন পীবগী ইস্যু সেটল তৌনবা য়ানখিবা এগ্রিমেন্টগী অকুপ্পশিং লাউথোরক্লগনি।

সেনিয়র ওফিসল অমগী মতুং ইন্না মমাঙগী থৌদোকশিং কাউথোক্লগা তুংগী অফবা ফিভমশিং শেমগৎনবগী পান্দমগী মখাদা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপাননা নহাশিংগী ওইবা মরু ওইবা ফন্দ অমা শেম্লগনি। কুমজা ১৯১০ দগী ৪৫ ফাওবদা জপাননা কোরিয়াবু লোইলম ওইনা ঙাক শেল্লিঙৈ মনুংদা চথখিবা ফোর্স লেবরগী কোরিয়ন ভিক্তিমশিংদা কম্পেন্সেসন পীননবা কুমজা ২০১৮ দা সাউথ কোরিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা জপানগী নিপোন ষ্টিল অমসুং মিটসুবিসি হেভি ইন্দষ্ট্রিসতা ওর্দর তৌখি।

কম্পেনি অনী অসিনা কৈদানরেন মেম্বরশিপ ফিশিং নত্ত্রগা দোনেসনশিংগী মওংদা অনৌবা ফন্দ অদুদা নাকোয়ননা কন্ট্রিব্যুট তৌরবা য়াই হায়রি। সাউথ কোরিয়ানা মমাঙদা ভিক্তিমশিং অদুবু লোকেল বিজিনেসশিংগী দোনেসনশিং শীজিন্নরগা গভর্ণমেন্ট ফাউন্দেসন অমগী খুত্থাংদা কম্পেন্সেসন পীননবগী ৱাফম হৌদোকখিবগা লোয়নননা জপানিস কম্পেনিশিংদা কন্ট্রিব্যুসন তৌনবসু আপিল তৌখি।

অমরোমদা, জপাননা কোর্ট রুল্লিংশিং অদুগী মখাদা কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফম রিজেক্ট তৌদুনা লাকখি। লৈবাক অসিনা হায়রিবদি কম্পেন্সেসনগী ৱাফম অসি বাই লেটরেল মরীশিং নোর্মেলাইস তৌহনখিবা কুমজা ১৯৫৫ গী ট্রিটি অমগী মখাদা সেটল তৌখ্রে হায়বসিনি।

## বাংলাদেশকী ওক্সিজেন প্লান্টদা পোকখায়রকপদগী মীওই তরুক শিরে, ৩০ শোক্লে

ধাকা, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

বংলাদেশকী চিতাগোংগী মনুং চনবা সিতাকুন্দ উপ জিল্লাদা লৈবা ওক্সিজেন প্লান্ট অমদা পোকখায়রকখিবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিরে অমসুং অতৈ ৩০ হেন্না অশোক অপন নঙলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

সিতাকুন্দ পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জ টোফা জেল অহমদনা থৌদোক অদুদা শিরিবশিং অমদি অশোক অপন নঙলিবশিংগী মশিং কনফার্ম তৌখি। চিতোগ্রাম মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালগী ইনফোর্মেসন সেন্টরগী ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না ওক্সিজেন প্লান্টদা পোকখায়রকখিবা শিখিবশিংদুগী মনুংদা মীওই মঙা মশক খঙবা ঙল্লে। তরুকশুবা মীওই অদুগী মশক হৌজিক ফাওবদি কনফার্ম তৌবা ঙমদ্রি।

শিখিবা মীওই তরুক্তগী মনুংদা মীওই অমা মফম অদুদগী কিমি অমরোম লাপ্না লৈবা কাদমরাসুল বজারদা মহাক্কী মথক্তা মেটল ওবজেক্ট অমা তাশিল্লকপদগী শিখিবনি। মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা চাতোগ্রাম দিপ্যুটি কম্মিস্নর এমদি ফাক্রুজামন্না এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা অশোকপশিং অদু চাতোগ্রাম মেদিকেল হোস্পিটালদা লায়েংলি। পুলিসকী মতুং ইন্না সিমা ওক্সিজেন প্লান্টকী মায়কৈদগী ব্লাষ্ট অদুগা মরী লৈননা লিগেল পেপর অমা উৎলকপা লৈত্রি।

চিতোগ্রামগী এসপি এসএম সাফিউল্লানা হায়খি, মদুদি থৌদোক অদুগী মতুংদা ওক্সিজেন প্লান্ট অদু কোর্দন তৌখি। পোকখায়বগী থৌদোক অদু থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা ধাকা-চিতোগ্রাম হায়ৱেগা থংননা কদম রুসল এরিয়াদা লৈবা সিমা ওটোমেটিক রি-রোলিং মিলস লিমিটেদকী ওক্সিজেন প্লান্টদা থোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২২ গী জুন ৪ দা চিতোগ্রামগী সিতাকুন্দ উপ জিল্লাদা লৈবা বিএম কন্টেন্নর দিপোদা মৈ চাক্লকখিবা অমদি পোকখায়রকখিবগী থৌদোক অমদা মীওই ৫১ গী পুন্সি লোমখিবগা লোয়নননা অতৈ মীওই ২০০ হেন্না অশোক অপন নঙখি অমদি য়াল্লবা ইম্পোর্ট অমসুং এক্সপোর্ট কন্টেন্নরশিং মাঙ তাকখি।

## মাইগ্রেসনগী মতাংদা ইয়ুগী লৈবাকশিং মত মান্নবা আপিল তৌখ্রে

ভালেতা, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

মাইগ্রেসনগী মতাংদা ইয়ুগী লৈবাকশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মত মান্নবা গ্রুপ অসিগী মেদিটরিনিয়ন লৈবাক মঙাগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরশিংনা আপিল তৌখ্রে। ইরেগুল্লর মাইগ্রেসন থিংননবা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা মখোয়না আপিল তৌখি।

মালতাগী কেপিটেল ভালেতাদা ইরাই অমসুং থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মেট ৫ কী মিনিষ্ট্রিএল লেভেল মীটিং লোইশিল্লকপদা মালতা, গ্রিস, ইটালি, স্পেন অমসুং সাইপ্রসনা জোইন্ট দিক্লারেসন অমা খুৎয়েক পীনখি। মীফম অদু ইটালিগী সমুদ্র খোঙবানগা নক্লনা শাথিরবা হিলাকপগী থৌদোক অমা থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৬৪ গী পুন্সি লোমখিবা মতুং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পাঙথোক্লিবনি।

# প্রোভিন্স অমগী গভর্ণর হাৎখিবগী থৌদোক ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্টনা কন্দেম তৌখ্রে



মনিলা, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

ফিলিপিন্সকী প্রোভিন্স নেদ্রোস ওরিয়েন্টেলগী গভর্ণর রোয়েল দেদামো হাৎখিবগী থৌদোক লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ফর্দিনান্ট রোমুলদেস মার্কোজনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না মীহাৎ অদুদা চেন্নবশিং চৈরাক ফঙহনগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী ষ্টেটমেন্ট অমদা মার্কোজনা হায়খি, মদুদি পাঙদবা অমদি ফত্ত্রবা ক্রাইম অদুদা চেন্নরিবশিং অদু ফারগা মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক ফঙহন্দ্রিবা ফাওবা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা তুমিন্না লৈথোক্লোই। দেগামোগী মীহাৎকা মরী লৈননা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন প্রোগ্রেস নীংথিনা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট মার্কোজনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মীহাৎ অসিগী মতাঙদা ঐখোয়না মরু ওইবা ইনফোর্মেসন কয়া ফঙলে। মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবশিং করম্না জষ্টিস মায়োক্নহনগদগে হায়বগী মতাংদা হৌজিক ঐখোয়দা ময়েক শেংলবা দিরেক্সন লৈরে। অহানবগী পুলিস রিপোর্টশিংদা দেগামোনা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা সেন্ট্রেল ফিলিপিন্সকী প্রোভিন্স অদুগী পামপ্লোনা টাউনদা লৈবা মহাক্কী য়ুমগী মমাঙদা মীওই খরগা ৱারী শান্নরিঙৈদা খুৎলায় পায়বা মীওই কাঙবু অমা স্পোর্ট য়ুটিলিটি ভেহিকল অনীদা তোংলগা লাকখি অমসুং মখোয়না ভিক্তিম অদুদা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখি। নোংমৈ কাপ্পা অদুদা অনকপদা লেপ্তুনা লৈরিবা মীওই কয়াসু পানখি।

সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিও মেসেজ অমদা দেগামোগী লোইনবী ওইরিবী পামপ্লোনা টাউনগী মেয়র জেনিস দেগামোনা লোকেল হোস্পিটাল অমদা মহাক্কী মপুরোইবা লৈখিদ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌখি। এটেক অদুগী মতুং পুং ২ রোম কান্নরগা মহাক লৈখিদবনি হায়না জেনিসনা ফোঙদোকখি।

মীহাৎপশিং অদুবু ফাননবগী ওপরেসন অমা চথনবা ফিলিপিন নেসনেল পুলিস ওর্দর তৌখ্রে হায়না ইন্টরিয়র অমসুং লোকেল গভর্ণমেন্ট সেক্রেটরি বেঞ্জামিন অবালোসনা তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি। দেগামো অসি চহী অসিদা পোলিটিসিয়নশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথরকখিবা মীহাৎপশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা ভিক্তিমনি।

# চাইনিজ নেসনেলশিংগী সেক্যুরিটিগীদমক্তা কেপিদা পুলিস ১৫০০ হেন্না দিপ্লোই তৌরে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

খাইবর পাক্তুনখুৱাদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিংদা থবক তৌরিবা চাইনিজ প্রোপেস্নেলশিংগী সেক্যুরিটিগীদমক্তা পাকিস্থানগী স্পিসল সেক্যুরিটি য়ুনিট (এস এস য়ু)গী পুলিস পর্সনেল ১৫০০ হেন্না দিপ্লোই তৌরে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ওফিসলশিং পল্লদুনা হায়রি।

এস এস য়ুগা লোয়নননা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস পর্সনেল কয়া অমসুং এলিট ফোর্স অমদি ফ্রন্টিয়র রিজার্ব পুলিসকী মেম্বর কয়া পাকিস্থানগী নোর্থ ৱেষ্টর্ন প্রোভিন্স অদুদা দিপ্লোই তৌখ্রে। ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস অক্তার হায়দ খাননা দিভলপমেন্ট অসি পেসৱারদা পাঙথোকপা ফঙ্কসন অমদা কনফার্ম তৌখি।

মহাক্না হায়খি, মহাক্না আইজিগী চার্জ পুবা হৌখিবদগী প্রোজেক্টশিং অসিদা চত্তুনা চাইনিজ নেসনেলশিংগী সেক্যুরিটিগা মরী লৈননা ইন্সপেক্সন চথখি। খাইবর পাক্তুনখুৱাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা চাইনিজ প্রোজেক্টশিংদা সেক্যুরিটি মতিক চানা পীরে। কে পি দা এস এস য়ুগী পুলিসমেন ১৫০০ কা লোয়নননা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, এলিট ফোর্স অমসুং এফ আর পিগী অতৈ পুলিস পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌরে। প্রোভিন্স অদুগা লোয়নননা পাকিস্থানদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা ইন্দিভিজুএলশিং সেক্যুরিটি মতিক চানা ফঙহনগনি। ফোরেন ইন্দিভিজুএলশিং প্রোটেক্ট তৌনবা খাইবর পাক্তুনখুৱা মনুংদা স্পিসল সেক্যুরিটি য়ুনিট অমা শেম্লে হায়খি।

## কিদনেপ তৌখিবা সিভিলিয়ন ১৪ নাইজেরিয়ন ট্রুপশিংনা কনখ্রে

লাগোস, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

নোর্দন ষ্টেট কাদুনাদা লোগী মায়োক্তা লৈবা খুৎলায় পায়বা মীওই কাঙবু অমনা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা মীওই ১৪ নাইজেরিয়ন ট্রুপশিংনা রেস্ক্যু তৌরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কাদুনা ষ্টেট কম্মিস্নর ফোর ইন্টর্নেল সেক্যুরিটি এন্দ হোম এফিয়র্স সাম্যুল অরুৱাননা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকখিবদা রেস্ক্যু মিশন অদু হন্দক্তা নাইজেরিয়ন ট্রুপশিংনা পাঙথোরকখিবনি। মখোয়না ষ্টেট অদুগী চিকুন লোকেল গভর্ণমেন্ট এরিয়াদা বেন্দিটশিংগী লোৎফম অমদা টার্গেট তৌদুনা ওপরেসন অমা চথখি।

ট্রুপশিংনা বেন্দিটশিং অদুবু ওভর পৱার তৌখি অমদি মখোয়গী মনুংদগী অমা হাৎখি। অতৈশিং অদু মফম অদুদগী মায়কৈ সলাই খঙদনা চেন্নখি। ট্রুপশিংনা রেস্ক্যু তৌখিবা মীওই খুদিংমক অশোয় অঙাম অমত্তা নঙখিদে। মখোয় হকচাংগী ফিভমশিং চেক তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংশিংদা শিন্নরগনি হায়না অরুৱাননা ফোঙদোকখি। কম্মিস্নরনা ওপরেসন অদুগী চপ চাবা তারিখ পনখিদে।

নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্নরকখিবদা ট্রুপশিংনা বেন্দিটশিং অদুগী লোৎফম অদু থুগায়খি হায়না কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা নাইজেরিয়াদা খুৎলায় পায়বশিংনা চথখিবা এটেকশিংদা মীশি মীনা কয়া থোকখিবগা লোয়নননা মখোয়না তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংগী মীওইশিং কিদনেপ তৌখি।

## থা ১৪ গী মনুংদা রুৱাহা নেসনেল পার্কতা শমু ৬ হাৎখ্রে

দর এস সলাম, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

টাঞ্জিনিয়াগী রুৱাহা নেসনেল পার্কতা কুমজা ২০২২ গী জনুৱারী অমসুং কুমজা ২০২৩ গী ফেব্রুৱারীগী মরক্তা শমু তরুক হাৎখিবগা মরী লৈননা ইষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিগী পুলিসনা লোনা য়াদবা মওংদা শাদানবা অমদি শা হাৎপা মীওইশিংনি হায়না চিংনবা মীওই অহুম ফারে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

রুৱা নেসনেল পার্ককী এসিষ্টেন্ট কঞ্জার্বেসন কম্মিস্নর অমসুং কম্মান্দিং ওফিসর গোদৱেল ওলে নিঙ্গাটাকিনা ফোনগী খুত্থাংদা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা পোচরশিংনি চিংনবা মীওইশিংদু ফেব্রুৱারী ২৮ দা মিনিষ্ট্রি ওফ নেচরেল রিছোর্স এন্দ টুরিজমগী ৱাইল্ড লাইফ এন্দ ফোরেষ্ট ফোর্স অমদি পুলিসকা খুৎশম্নরগা ইরিঙ্গা ম্যুনিসিপালিটিদগী ফাখি।

সস্পেক্ট অহুম অদুদগী শমু ময়া নিপান লৌখৎখি। মখোয়না তোঙান তোঙানবা চহীশিংগী শমুশিং হাৎতুনা দোল্লর ৯০,০০০ গী ওইগদবা তাংলবা শমু ময়াশিং অদু লৌথোক্লম্বনি। সস্পেক্টশিং অদুদগী থাংশাং অমা অমসুং মখোয়না শমু ময়াশিং অদু পুথোক পুশিন তৌবদা মোটোর ভেহিকল অমসু রিকোভর তৌখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## রসিয়ন সবমেরিননা সী ওফ জপানদগী মিসাইল কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখ্রে



মোস্কো, মার্চ ৫ (এজেন্সী):

রসিয়ন পেসিফিক ফ্লিটকী দিজল-ইলেক্ট্রিক সবমেরিন পেট্রোপাবলোস-কমচাস্কিদগী কেলিবর ক্রুজ মিসাইল অমা কাপ্তুনা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে। মিসাইল টেষ্ট লোঞ্চ অদু সী ওফ জপানদগী পাঙথোকখিবনি হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা হায়, কম্বেট ট্রেনিং প্লান অমগী মনুং চন্না সবমেরিন অদু সী ওফ জপানগী দেজিগনেটেদ এরিয়া অমদা লোন্না থুংলখি অমদি মিসাইল অদু ঈশিং মনুংদগী কাপখি। ঈশিং মনুংদগী কাপখিবা মিসাইল অদু কিলোমিটর লিশিং অমা হেন্না লাপ্না লৈবা রসিয়াগী খবারোবস রিজনদা লৈবা সমুদ্র মপানগী টার্গেট অমদা মায় পাক্না হিট তৌখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না রসিয়ন পেসিফিক ফ্লিটকী জহাজশিং অমসুং এয়রক্রাফটনা চাংয়েং অদুগী মাঙওইননা মিসাইল কাপ্লিবা মফম অদু ক্লোজ তৌখি।